# কন্সটিটুশনগী প্রোভিজন মখাদা ৱারী শানরিবশিংনা কন্সটিটুশনবু ফাগি তাহনবা

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

হৌখিবা এপ্রিল থাদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা পীক্লিবা অঙাং অনী, বি এস এফকী পর্সনেল অমা য়াওনা পুম্না মীওই ১১ শিগ্রবা মতু, চৎলিবা মে থা অসিগী তাং ১দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি, ষ্টেট লৈঙাক্কী ওফিশেলশিং অমদি সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সু) গী এগ্রীমেন্টতা খৃৎয়েক পীমিন্নরিবা কুকি খুৎলায় পায়বশিংগী অপুনবা লূপ য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট - কুকি নেশনল ওর্গনাইজেশন (য়ু পি এফ-কে এন ও) হায়রিবা কাংবু অহুম অসি দেল্লীদা উন্নদুনা নৌথৌননা ৱারী শানখ্রে। কাংবু অহুম ৱারী শানবগী থবক অসি, ইন্দিয়াদা চৎনরিবা কন্সটিটুশনগী প্রোভিজন মখাদা, ঙসিদগী চহী ১৮গী মমাঙ কুমজা ২০০৮দগী তাঙ্কক নাইনা চৎথদুনা লাকপনি অমসুং মসি মণিপুরদা ঈং-তঙ্গা হঞ্জিনহল্লকপগীদমক্তা পাঙথোকপনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা মীদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোরক্লি। ৱাফম অসি পুক্লিং থৌগৎনীংঙাইনি, মরমদি কাংগুম্বা গবর্নমেন্ট অমত্তনা মশাগী মরক্তা ইমু-নাইমু তানা হাংন-শুনরকপদা নুংঙাইফম থোক্তে অমসুং তুমিন্না য়েংদুনা লৈবসু তৌরোই। অশেংবমকসু ইন্দিয়াগুম্বা, মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা দেমোক্রেসি চৎনবা লৈবাক অমগী মীয়াম অসি ঙসিদি, ২১শুবা চহীচাগী অহৌবা তাঙ্কক অসিদা, মালেমগী সুপর পৱারশিং অহৌবা য়ু এস এ অমসুং চাইনাদা লৈরিবা মীয়ামগী মতৌগুম্বা, ঐখোয়সু ইন্দিয়ানিন হায়বগী চাউথোকচবা ৱাখল অমা পোক্লরক্লবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিজিগী বিক্সিট ভারত, অত্মা নির্ভর ভারত অমসুং মেদ ইন ইন্দিয়াগী পুক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা, লৈবাক অসিনা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাককশিংগা, চাংদান্নবা ঙম্বগী খোল্লাওনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী চিংনুং কাচিন্দা লৈবা পীক্লবা মণিপুর য়ৌনা খোঙ্বা য়ৈরক্লি।

লুরিবদি, লৈবাক অসিনা চাওখৎ-লমজেলদা খুমাঙ চাওশিল্লকপগা লোয়ননা 'এক্ট ইষ্ট' পোলিসিগী থৌশিল অসিবু থবক্ত ওন্থোক্লবা হোৎনরকপদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী, মরু ওইনা মণিপুরী য়েলহৌমীশিংগী পুন্সিদা ইন্দিয়ান অমা ওইরুংগী চপ চাবা আইদেন্টিটি অদু মাঙখিগুম্ম তৌরকপা অসিনি। হোম মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী অৱাং অমসুং খা থংবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মাওইষ্টশিংগী অকনবা ঈহৌ নমথনবা হোৎনবগী লোয়ননা, মণিপুরনচিংবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী খুৎলায় পায়বা নীংতম-ঈহৌশিং অসিবুস লাক্লিবা কুমজা ২০২৯ ফাওবগী মনুংদা লাকশিন্নবা পান্দম থল্লি। অদুম ওইনমক মাওইষ্ট অমসুং নীংতম ঈহৌ হৌরিবা মিলিটেন্ট কাংলুপ অনী অসিবু লাকশিন্নবগীদমক্তা সেন্টরনা শীজিন্নরিবা লাল্লোংশিং অসিদি তোঙান তোঙাল্লি। ইন্দিয়াদা চৎনরিবা দেমোক্রেটিক সিষ্টম অসিবু ফুক্তোক্তুনা মাওইজমনা মহুৎ শিন্দোক্লবা পান্দম অমগা লোয়ননা ঈহৌ হৌরিবা মাওইষ্টশিংবু, লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লা মখোয়সু ইন্দিয়ান ঙাক্তনি হায়বা খাঙহল্লবগী অমগা লোয়ননা মীচমশিংবু শোকহল্লবা নমথনবা হোৎনরি। ঈরাং নমথনবগী লাল্লোং অমা ওইনা, সেন্টরনা মাওইষ্টশিংগী অকনবা ঈরাং লৈবা ষ্টেটশিংদা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি শান্নদুনা ইন্দিয়ান ফুরুপশিংগী মরক্তা কাংলুপকী ঈরাং থোকহনবা থৌশিল পায়খৎপা তৌদে। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা লৈরিবা শোথহৌরবা মীওই কাঙলূপশিংবু লৈবাক্কী চাওখৎপদা থোং মান্নবা শরুক য়াবা ঙমহন্নবগীদমক্তা মখল-মখা কয়াগী চাওখৎ-থৌরাং কয়া লৈঙাক্লা পায়খৎপগী পাউদি ঐখোয়না তত্তনা তাবা ফংই, অদুবু য়েলহৌমী মশেল হাৎন-শুনহন্দুনা খুন্নাইগী অপূনবা কয়াৎপু মপাঙ্গল শোন্থহল্লগা লালহৌবা নমথনবা হোৎনবগী থৌওং অসিদি মণিপুর নত্তনা অতৈ মফম অমত্তদা উবা ফংদে।

হৌজিক অসি, মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিং অমসুং ইন্টেল্লেকচুয়েল সর্কল কয়া য়াওনা, মীয়ামগী মায়কৈদগী প্রি-মর্জর এগ্রীমেন্টকী থাক অদুদা হঞ্জিন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লে। চহী অহুম হেন্না ফ্রী থাদোক্তুনা থল্লবা, খুৎশেম্না থোকহনবা কাঙলূপকী ঈরাং অমদা মীতৈগা কুকিগা, কুকিগা নাগাগা নৎত্রগা কুকিগা কুকিগা মথং-মথং হাৎনরকপা য়াবগী থৌওং অসিনা লাম্মৈ চাকপগী মতৌগুম্না শন্দোক্লক্তুনা মণিপুরী খুন্নাই পূম্নমক তাঙ্গোই তানা চাকথেল্লগদ্রা হায়বগী মিপাইবা ৱাখল অমা মীপূম খূদীংমক্কী মশাদা পোক্লরে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ, চাওখৎপা ৱাৎলিঙৈ মতম অদুদা অমুক্তসু থোকখিদবা অসিগুম্বা থৌওং অসি মণিপুরনা ২১শুবা চহীচাগী চাওখৎলবা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা থোক্লিবা করিগীনো? লৈবাক অসিগী লুচিংবশিং অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিদা অৱাং-নোংপোক্কী অরাংফম ওইরিবশিংনা মণিপুরদা লৈরিবা, মঙ্গোলোইদ ফূরুপকী মনুং চনবা, মীৎ খূবা অমসুং নাতোন নম্বা মীওইশিং অসিবু ইন্দিয়ান অমগুম্না উবা ঙমদ্রবরা? চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎতুনা খূৎলায় পায়বগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবগী মহুৎতা, কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংবু শীংচেপ ওইনা শীজিন্নদুনা মণিপুরী খুন্নাইবু কাং-খোং চাইহল্লিবা অসি ইন্দিয়াগী করম্বা ষ্টেটতা তৌবগে? মীশিং য়ামদবা অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা এম পি অনীখক্তং থাগৎপা পীক্লবা মণিপুরবু মেইনষ্ট্রিম ইন্দিয়ান পোলিটিক্সনা করিসু লৈতনা খন্দুনা তৌনীংবা তৌবা অসি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা কন্সটিটুশনননা অয়াবা পীব্রা? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম অদু দেল্লীগী লুচিংবশিংনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীফম থোকই।

লৈঙাক্কা সূ তৌনরিবা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগা ৱারী শানরিবা অসি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা কন্সটিটুশননা পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না চথবা থৌওংনি হায়বা ৱাফম অমসু তাবা ফংনরি। চুম্মী, খূৎলায় পায়দুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈহৌ হৌরকপশিংনা মীয়ামগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা মখোয়গা লৈঙাক্কা মরা তপ্পগী ফীভম পুরক্লবা ৱারী শানবদা কন্সটিটুশননা অয়াবা পী, অদুবু হৌখিবা চহী ১৮ হেন্না য়ানরবা দিজিগ্নেটেদ কেম্পশিংদা লৈদুনা লৈঙাক্কা মরা তপ্পা পুরক্লবা ৱারী শানরিবা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা চহী ৩ হেন্না মপান্দা ফোংনা থোক্লক্তুনা কুকিলেন্দগী দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা মীতৈ, নাগা অমসুং অতৈ য়েলহৌমীশিংগী মথক্তা যূম মৈ থাবা, মীহাৎ-মীপূন অমদি লুট-পাৎকী থৌওং কয়া চথরিবা অসিদি কন্সটিটুশননা অয়াবা পীদে। অমরোমদনা, ঈরাং অসি লাকশিন্নবগীদমক্তা সেন্টরনা থারকপা আর্মি, পেরামিলিটরি অমসুং ষ্টেট ফোর্সশিং য়াওনা, মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম ঙাক-শেন্নবা লৈরিবা সিক্যুরিটিগী কাঙবু পূম্নমক্কা, য়াম্না অঙকপা মওংদা হোম মিনিষ্ট্রিদগী ওর্দর পীরক্তে হায়দুনা কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা তৌরিবা কা হেনবা থৌওং পূম্নমক অসিবু হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংউ হায়দুনা শিন্নবগুম্না তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা অসিসু কন্সটিটুশননা পীরিবা প্রোভিজনশিং অদুগী মায়োক্তা পোলিটিকেল লিদর অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংনা চথবা ঙাকপীনীংঙাই লৈত্রবা মরাল অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

কোটু অমসুং আই টি এল এফনচিংবা কুকিলেন্দ দিমান্দগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনশিংনা ইন্দিয়ান কন্সটিটুশনগী কয়াৎ মনুংদা মখোয়গী দিমান্দ অসি তানবনি হায়, অদুবু কন্সটিট্যুস্নেল অমসুং দেমোক্রেটিক ওইনা চঙশিনবা খোঙজং অমদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীতৈ অমদি নাগানচিংবা য়েলহৌমীশিংগী মথক্তা জিনোসাইদ নৎত্রগা এঠনিক ক্লিন্সিংগী থৌওং চথবা অসিদি মীওইবগী মায়োক্তা লঙজবা তমথীরবা মরাল অমনি। মুন্না য়েংশিল্লুরবদি -- ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং সূ তৌনরিবা কুকি খূৎলায় পায়বশিং অনীগী মরক্তা ৱারী শানবা হায়বসি মপান্থোংদা কন্সটিটুশন অমসুং দেমোক্রেসিগী ফজরবা প্রোসেস অমা চথবা মালহল্লগা মনুংদনা, নাকল অনীমক্না থোক্লিবা ঈরাং অসি মতম শাংনা চথনবা খন্ন-নৈনবগুম্না উরক্লে, মরমদি ৱারী শান-শানরগা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা সূগী য়ান-ৱারোলশিং অদুগী ৱাংমদা মথৌনা ফবা হেনগৎলক্তুনা, হৌখিবা চহী অহুম অসিদা তম্পাক্তা অথিংবা য়াওদনা চথরম্বা মীহাৎ-মীপূনগী ক্রাইমশিং অসি ঙসিদি তাঞ্জুল নাগাশিংনা মপূং ওইনা খুন্দাবা চীংগী উখুল দিষ্ট্রিক্ট য়ৌনা শন্দোরক্লে অমসুং ঈরাং অসি চান্দেল অমদি তমেংলোংনচিংবা অতোপ্পা নাগা ফূরুপশিংগী খুন্দাফমশিং অসিদসু হোম মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরগী লালহৌবগী ঈরাং লোইশিন্নবা পান্দম থল্লিবা মতম ২০২৯ অসি ফাওবগী মনুংদা শন্দোক্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তম অনীমক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিং, মীয়াম অমদি মীয়ামগী লুচিংবশিংনা কোক চূংশিন্নদুনা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা চুমগনি। তম্পাক্তা থোক্লিবা ঈরাং অসি খঙনা খঙনা চেকশিনহৌদবদগী থোকপনি। তম্পাক্কী ফীভম অসিমক চীংদসু থোক্লকপা মতমদা মণিপুর মৈ হৌনা চাক্কনি অমসুং মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়াগী পুন্সি পিখম্নগনি।

ইন্দিয়া অসি লোদা য়ূম্ফম ওইবা লৈঙাক লিংদুনা পানবা লৈবাক অমনি। লোগী মীৎয়েংদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং মীয়াম পূম্নমক অসি চপ মান্নে। মরম অসিনা দেল্লীদা লৈবা পোলিটিসিয়ন নৎত্রগা ব্যুরোক্রেট খরনা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদা খেন্নবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ফাওবদা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দবা, য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মঙম লৌথোকপা, কন্সটিটুশনগী মতুংইন্না ষ্টেটকী সবজেক্ট অমা ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী থবকসু হোম মিনিষ্ট্রিনা মুনখিবা অমসুং চহী অহুম হেল্লক্লবা ঈরাং অসি লোইশিনবগী মহুত্তা, চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়ৌনা শন্দোক্লক্তুনা ষ্টেট অসিবু তাঙ্গোই তানা চাকথেকহন্নবা হোৎনরিবা পূম্নমক অসি লোগী ওইবা পাম্বৈনা থেংনবা ঙম্নবগীদমক্তা মণিপুরগী লিগেল অমসুং কন্সটিট্যুস্নেল এক্সপার্টশিংনা খন্ন-নৈনরবদি তুং কোইনা মরা তপ্পগী ফীভম হঞ্জিল্লক্কনি।

কংলৈ খুন্নাই অসি ঙসিদি অৱা-লানগাইবগী মতৌগুম্না ককঙাওনরে, মপু পান্দ্রে, পুমচাই চাইরে। কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা নুপী-অঙাং হাৎলকপা, য়ূম মৈ থারকপা অমসুং সিফাইনা মীচমদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ নৎত্রগা টিয়র গ্যাস কাপশিল্লকপা খূদীংগী ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ওনশিন্নদনা কপমিন্নবা নত্তনা করিসু তৌনীংঙাই লৈরক্ত্রে। লৈবাক অসি ঙসি-হয়েং মফম খঙদনা হিংনবগা লোয়ননা মীকপ-মীরাওনা নিল্লক্লে অমসুং তেংথা-নাওইবগী খোঞ্জেলশিং অসিবু ইকায়খুম্নজরবা পি এম নরেন্দ্র মোদিজানা শামু মনীংদা পেনা খোংবগুম্না নুংঙাইনা তাবীরি। ●

# সোমনাথ অমসুং ভারতকী মায়থীবা পীবা ঙমদবা থৌনা !

**- শ্রী নরেন্দ্র মোদি -**

**ভারতকী প্রধান মন্ত্রিনি অমসুং শ্রী সোমনাথ ত্রষ্টকী চ্যেরমেন**

২০২৬ হৌরকপদা, সোমনাথ শ্বাভিমান পর্বগীদমক ঐ সোমনাথতা চৎখি, সোমনাথ লাইশঙদা অহানবা লান্দারকপা চহী লিশীং ১ মপূং ফারকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। মতম অমগী ভারতকী রাষ্ট্রপতি ডাক্তর রাজেন্দ্র প্রসাদনা অমুক হন্না শেমজিল্লবা লাইশঙ শঙ্গাখিবগী চহী ৭৫ শুবা থৌরম শরুক য়ানবা ঐ মে ১১দা সোমনাথতা চৎকনি। চহী অমগী মনুংদা থা ৬ ফাদ্রিঙৈদা, সোমনাথকা মরী লৈনবা মরু ওইবা থৌরমদা শরুক য়াগদবা অসি লাইবক ফবা অমনি অমসুং অমাঙ-অতা থোকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না শেমজিনখিবগী মসিগী খোঙচৎ অসি ঐখোয়না বিধবন্সতগী শ্রীজন ফাওবা হায়না ফোঙদোক্লি।

সোমনাথনা ঐখোয়দা সভেত্যগী পাউজেল অমা পীরি। মসিগী মমাঙদা লৈরিবা পাক-চাউরবা সমুদ্রনা মতম্না মাঙহনবা ঙম্লরোইদবা অমদি ফোঙদোক্লি। নোংলৈ-নুংশিৎ কয়া য়াম্না কল্লবসু নৎত্রগা ইথকশিং কয়া য়াম্না কল্লবসু, কনাগুম্বা অমা ইকায়খুম্নবা অমসুং থৌনাগা লোয়ননা অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙম্মী হায়বা ইথকশিং অসিনা ঐখোয়দা তাক্লি। মীয়ামগী থৌনা মতম কুইনা কৈদৌঙৈদা নমথবা ঙল্লোই হায়বা মীরোল খুদিংমক্তা নীংশিংহনবগুম, ইথকশিং তোর্ব্বান্দা অমুক হল্লক্লি।

ঐখোয়গী অরিবা লাইরিকশিংদা হায়রি : সোমনাথকী প্রদক্ষিনা অসি পৃথিবী অসিমক্কী প্রদক্ষিনা অমগা মান্নে। মীয়াম মফম অসিদা লাই খুরুম্বা লাকপা মতমদা, মখোয়না কৈদৌঙৈদা মুৎপা নাইদবা সভেত্য অমগী মৈরী মখা তানা চথবা মখোয়দা ফাওখি। লৈবাকশিং শেল্লকখি অমসুং তুখি, ইথকশিং হোংখি, লান ঙমদুনা পুৱারীদা অহোংবা পুরকখি, অদুবু ঐখোয়গী ৱাখল্লোন্দা সোমনাথ মখা তানা লৈগনি।

মীফত্তশিংগী মায়োক্তা লেপখিবা মশীং থিঙমদ্রবা অথৌবশিং নীংশিংবা মতমনি। প্রভাসা অসি ৱাঙুলোনগী অচৌবা মফম অমা ওন্থোকখিবা লুকুলিসা অমসুং সোমা সরমান লৈরি। চহী চা কয়াগী মমাঙদা বাল্লাভিগী চক্রবর্তী মহারাজা ধরসেন IV না অনীশুবা লাইশঙ শাখি। লান্দারকখিবা মীওইশিংদগী সভেত্যগী ইকায়খুম্নবা ঙাকখিবগীদমক মতম পূম্নমক্তা ভীম দেব, জয়পাল অমসুং আনন্দপাল নীংশিংদুনা লৈরগনি। অমুক হন্না শেমগৎপদা রাজা ভোজাসু মতেং পাংখি হায়রি। গুজরাতকী রাজনিতি অমসুং নাৎকী মপাঙ্গল শেমগৎপদা কর্ণদেব অমসুং সিদ্ধার্থ জয়সিংহনা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌখি। লাইশঙ অসি অচৌবা লাইনীংগী মফম অমসুং মহৈ তম্ফম অমা ওইনা ভব বৃহস্পতি, কুমারপাল লোলাঙ্কি অমসুং পশুপাতা আচার্যরশিংনা অমুক হন্না শেমগৎখি। বিশালদেব ভাঘেলা অমসুং ত্রিপুরান্তকনা মসিগী লৌশিং অমসুং অধ্যতিক্কী চৎনবীশিং ঙাক-শেনখি। থুগায়খ্রবা মতুংদা অমুক হন্না ইরাৎ-থৌনি পাঙথোক্লবা মহিপালদেব অমসুং রা খাঙ্গারনা হোৎনখি। মহাক্কী চহী ৩০০শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখিবা পুণ্যশ্লোক অহিল্যাবাই হোলকারনা অৱাবা তারবা মতমশিংদা মখা তানা চঙজখি। লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিং অশোয়-অঙাম থোক্তনবা বরোদাগী গাইৱাদশিংনা হোৎনখি। মখোয়গী থৌনা অমসুং কৎথোকপনা সোমনাথকী অহিংবা নীংশিংবা অমা ওইরবা বীর হামিরজি গোহিল অমসুং বীর ভেগদাজি ভিলগুম্বা থৌনা ফবা মীওইশিং ঐখোয়গী লৈহাওদা পোকখি।

১৯৪০গী মতমদা, লৈবাক শিনবা থুংনা নীংতম্বগী ৱাখল্লোন লাকপা মতমদা অমসুং সরদার পটেলগুম্বা শক্লাইরবা লুচিংবশিংগী মখাদা অনৌবা লৈবাক অমগী য়ূম্ফম থোনখি, মহাক মখা তানা ৱাহনখিবা অমদি-সোমনাথকী ফীভমনি। নবেম্বর ১৩,১৯৪৭, দিৱালি মনুংদা, মহাক্কী খুৎশিংদা সমুদ্রগী ঈশিং শোক্তুনা লাইশঙগী অতেক-অকায় মরক্তা মহাক লেপখি, হায়খি "গুজরাটকী চহী হৌবগী শেংলবা নুমিৎ অসিদা, সোমনাথ অমুক হন্না শেমগৎনবা ঐখোয়না ৱারেপ লৌরে। অদোম, সৌরাষ্ট্রাগী মীয়া, অদোমগী খ্বাইদগী ঙমজবীদা থবক পাঙথোক্কদবনি। মসি মীওই খুদিংমক শরুক য়াগদবা শেংলবা থবক অমনি"। সরদার পটেলনা হায়বদগী, গুজরাটকী মীয়াম খক নত্তনা ভারত শিনবা থুংবগী মীয়াম থৱায় য়াওনা শরুক য়াখি।

লাইবক থীবদি, মহাক্লা পামজরম্বা অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মতুংদা সরদার পটেল উবা ফংখিদে। সোমনাথ লাইশঙ অমুক হন্না শেমজিন্দুনা মসিগী থোঙশিং ভক্তশিংগী হংদোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা, মহাক মালেম অসি থাদোকখ্রে। অদুবু, প্রভাস পাতানগী শেংলবা খোঙবালদা মহাক্লা পাঙথোক্লম্বা থবক মখা তানা উবা ফংগনি। নৱানাগরগী জামসাহেবনা মতেং পাংদুনা শ্রী কে এম মুন্সিনা মহাক্কী মঙলান অদু মঙফাওনহনখি। ১৯৫১দা লাইশঙ শেমজিনবা লোইবা মতমদা, থৌরমগীদমক ভারতকী রাষ্ট্রপতি ডাক্তর রাজেন্দ্র প্রসাদ কৌনবা ৱারেপ লৌখি। মতম অদুগী প্রধান মন্ত্রি পন্দিৎ নেহরুনা য়াম্না কন্না অথিংবা পীরকপা অদু মায়োক্লদুনা, ডাক্তর প্রসাদ থৌরম শরুক য়াখি, থৌরম অদু হেন্না অখন্নবা অমসুং পুৱারী ওইরবা অমা ওইহনখি।

ঐ চীফ মিনিষ্টর ওইনা ফম পায়খিবা, ওক্টোবর ২০০১ ঐ নীংশিংলি। ওক্টোবর ৩১,২০০১দা সরদার পটেলগী মপোক নুমিত্তা, সোমনাথ লাইশঙগী থোঙশিং হাংদোকখিবগী চহী ৫০ শুবগী থৌরম অমা গুজরাট সরকারনা পাঙথোকখি। থৌরম অদু সরদার পটেলগী ১২৫শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমশিংগা মপা চানখি। মতম অদুগী প্রধান মন্ত্রি শ্রী অটল বিহারি বাজপায় অমসুং মতম অদুগী হোম মিনিষ্টর শ্রী এল কে অদভানি থৌরম অদু শরুক য়াখি।

মে ১১,১৯৫১দা মহাক্কী ৱারোল মনুংদা, ডাক্তর রাজেন্দ্র প্রসাদনা হায়খি মদুদি লম্বা লৈতবা থাজবা অমসুং নুংশিবা করিগুম্বা অমতনা মাঙহনবা ঙমদে হায়বা সোমনাথ লাইশঙনা মালেমদা তাক্লে। মীয়ামগী থম্মোয়শিংদা লাইশঙ অসি লৈগনি হায়না মহাক্লা থাজবা ফোঙদোকখি। মহাক্লা হায়খি মদুদি সোমনাথ লাইশঙ অমুক হন্না শেমজিনবা অসিনা সরদার পটেলগী মঙলান অমা মঙফাওনহল্লে। মীয়ামগী পূন্সি অমুক হন্না ঐখোয়না নুংঙাই-য়াইফবা পুরকপা অসি য়াম্না মরু ওই। মখোয় অসি মহাক্লা পীখিবা মরু ওইবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎপা পাউজেলশিংনি।

মসি চহী ১০ হেন্না ঐখোয়না চৎলবা লম্বী অমনি। মসি ঐগী লাইবক ফবনি হায়না ঐনা খল্লি মদুদি, 'বিকাস ভি, বিরাসাত ভি'গী অচুম্বা ফিদমনা ইথিল পীদুনা, সোমনাথতগী কাসি ফাওবা, কমাখ্যাদগী কেদরনাথ ফাওবা, অয়োধ্যাদগী উজয়েন ফাওবা, ত্রিম্বাকেশ্বরদগী শ্রীসাইলাম ফাওবা, মখোয়গী মহৌশাগী শক্তমশিং ঙাক শেনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী অধ্যাতিক্কী মফমশিং অনৌবা মতমগী খ্বাইদগী নৌবা খুদোংচাবশিং ফংহনবদা ঐখোয়গী কাঙবুগী খুদোংচাবা ফংলে। লম্বী-থোং ফগৎনবা থবকশিংগা লোয়ননা, মীয়াম হায়রিবা মফমশিং অসিদা চৎপদা লাইহল্লে। মসিনা মফম অদুগী শেন্মীৎলোন ফগৎহল্লে, হিংনবগী লম্বীশিং পীরে অমসুং 'এক ভারত, শ্রেস্থ ভারত' কী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনহল্লে। সোমনাথ ঙাক শেন্নবা মখোয়গী থৱায় কৎখিবশিংগী কৎথোকপা অমসুং লাম্থেংশিং অমসুং মসি হঞ্জিন হঞ্জিন অমুক হন্না শেমগৎখিবা মীওইশিং কৈদৌঙৈদা কাউবা ঙল্লোই। মসিগী ফজবা অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মশীং থিঙমদ্রবা মীওইশিং শরুক য়াখি। মখোয়না ভারতকী মফম খুদিংমক অশেংবা ওইনা উখি, লম্মিৎ-তুমিৎকী খেন্নবা লৈতনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল অমনা পুনশিনখি। তোখায় তাবনা থল্লবা মালেম অমদা, মতম পূম্নমক্তা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন য়াম্না মরু ওই। ভারতমচা খুদিংমক্কী থম্মোয়দা অপুনবগী ৱাখল অমসুং শরুক য়ামিন্নরিবা সভেত্যগী ৱাখল্লোন চেনবা মরম্না সোমনাথ মখা তানা মপান ফনা লেপখিগনি। মসিদা ইকায়খুম্নবা উৎপা অমা ওইনা, চহী লিশীং অমগী তোপ তোপ্পা থৌনা নীংশিংলি, মথং চহী লিশীং কয়া সোমনাথতা অখন্নবা পুজাশিং পাঙথোক্কনি। হায়রিবা পুজাশিং অদুগীদমক মীওই কয়ানা দান তৌবা উবদা য়াম্না হরাওই।

অখন্নবা মতম অসিদা সোমনাথতা চৎনবা ঐনা ঐগী ভারতকী মীয়ামদা হায়জরি। অদোম্না সোমনাথকী খোঙবালশিংদা লেপ্পা মতমদা, মসিগী অরিবা খোন্থাংশিং অদোমনা তারক্কনি। ঈশ্বরদা চঙজবনা অদোম হুমদুনা পুবা খক নত্তনা, মুৎনাইদ্রবা সভেত্য অমগী অকনবা মীহুল অমসু ফাওগনি। ভারতকী মায়থীবা পীবা ঙমদ্রবা থৌনা অদোম উবা ফংগনি অমসুং কয়ারক হন্না হোৎনরবসু করিগীদমক ঐখোয়গী চৎনবী মায়থীবা পীবা ঙমদ্রিবনো হায়বা খঙবা ঙমগনি অমসুং শিবা নাইদ্রবা মায়পাকপগী পান্দম অমা উনবগী খুদোংচাবা অদোম ফংগনি। মসি কাউবা ঙল্লোই। জয় সোমনাথ। ●

# লময়ানবা ইরাবতকী লমজিংদা মণিপুরদা মে ডে –২

**- সোটিনকুমার -**

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

শিন্মীশিংবু সমাজবাদকী মরমদা খঙহন্নবা মীফম কয়া পাঙথোরকখি। মরুওইনা আসামগী সুরমা ভেল্লি অমসুং ব্রহ্মপুত্র ভেল্লিদা অকনবা নুংশিৎ য়ৌরকখি। সুরমা ভেল্লিগী সিলহেট সহর রেভোল্যুস্নরিশিংগী সেন্টর ওইরকখি। শিন্মীশিংদা সোসিয়েলিজমগী মরমদা লেকচর পীখিবশিংগী মনুংদা এম এন রোই অমনি। শ্রীরোই কুমজা ১৯২০ দা মোস্কোদা ফমখিবা কোমিন্টরমগী অনীশুবা কোংগ্রেসতা মোস্কো কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মীহুৎ অমা ওইনা শরুক য়াখিবনি। কোমিন্টরমগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা মালেম ফাওরবা ভি.আই. লেনিনগা লোয়ননা মীরেপতা খনখিবনি। মরম অদুনা মহাক্লা লেকচর পীগনি হায়রবদি আসামগী সুরমা ভেল্লিগী লৌমী শিন্মীগী লুচিংবশিং হেক্তা তাবা চৎপনি। লেকচর তাবগী ফী খরসু মতমদুদা পীনৈ। মহাক্কী মতুং তুংইনবা কয়া আসামদা লৈরকখি।

অনীশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও হৌদ্রিঙৈ মতমদুদা ঙসিগী অসুন্না মালেমদা চাউরবা কেপিটেলিষ্ট ক্রাইসিস থোকখি, মদুগী মরমনা লৈবাক লৈবাক খুদিংমক্তা শিন্মীশিংগী অন্দোলন কনখৎলকখি। ডিগবোই থাউ কম্পনিদসু শিন্মীশিংগী অন্দোলন অনৌবা খোঙথাং অমদা চঙশিল্লম্মী। মদুগী মরমদি শিন্মীশিংবু থবক্তগী লৌথোকপা হৌরকপা, ওফিসারশিংগী বঙ্গলোদা থবক শুবা শিন্মীশিংবু কর্ম্মচারি অমা ওইনা শক খঙবীদবা, মীনাই ওইনা শিজিন্নবা অমসুং খুৎশুমল মতিক চাদবা অসিনচিংবা অসিনা মরম ওইদুনা পোইন্ট ১২ গী দাবী তৌদুনা কুমজা ১৯৩০ গী ফেব্রুৱারী থাদা অন্দোলন হৌরক্লম্মী। ডিগবোই থাউ কম্পনিগী মমাঙদা হৌখিবা অন্দোলন্দগী মসিনা মপুং ফারম্মী। মদুদা শরুক য়ারুবগীদমক শিন্মী ৭৪ থবক্তগী লৌথোকখি। থৌদোক অদুনা শিন্মীশিংগী পেন্দবা, খোয়শাউনবা হেনগৎলকখি।

থাউ কম্পনি অদুদা ভারতকী জাতী কয়াগী শিন্মীশিং য়াওরম্মী। মৈতৈ মচা (মণিপুরী) কয়া অমসু য়াওরম্মী। মদুদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা জাতিগী মীশকশিং অদুনা মরুওইনা জাতিশিং অদুগী মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিন্নবা খোঙজং লৌখৎনরম্মী। মদুগীদমক মণিপুরী মীয়ামদগী মরুওইনা লুচিংবশিংগী মতেং লৌনবা ডিগবোই থাউ কম্পনিগী শিন্মী লুচিংবা অমদি ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী মরুওইবা লুচিংবা শ্রীকুঞ্জো মীহুৎ অমা ওইনা মণিপুরদা থারকখি। শ্রীকুঞ্জো হায়রিবা শিন্মী লুচিংবসি এম এন রোইগী তুংইনবা ভারত কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বর অমনি। মহাক্লা ইম্ফাল য়ৌরক্লগা ডিগবোইদা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা মরুপ শ্রীঙাঙোম ইবোতোম্বীগী ময়াম্বা ঙাঙোম জুগিন্দ্রোগী নাগামপালদা লৈবা য়ুমদা লৈরম্মী। মফম অদুদা শৈদাংফম লৌরগা মণিপুরী লুচিংবশিংগা অমমমতা ওইনা উন্ননবা হোৎনরম্মী। মতম অদু কুমজা ১৯৩৯গী এপ্রিল থাদনি।

**মণিপুরদা মে ডে পালন তৌরকপা ১৯৩৯ :–** মতমদু মণিপুরদসু ইরাবতকী মখাদা মীয়ামগী অন্দোলন কন্না চঙশিল্লকপা মতমনি। নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাবু নিখিল মণিপুরী মহাসভা হায়না মমিং ওন্দুনা রাজনীতি দল অমগী ফিরেপ লৌরকপা কুইদ্রিবা মতমনি। অদুগুম্বা মতমদুদা শ্রীকুঞ্জোনা ইরাবত অমসুং মাগী তুংইনবা খরা নত্তনা অয়াম্বা মণিপুরী লুচিংবশিং ডিগবোই থাউ শিন্মীশিংগী অন্দোলন অদুদা শৌগৎপা অমসুং মতেং পাংবা পাল্লমদে। মদুনা মরু ওইদুনা মহাসভা মনুংদা ৱাখল্লোন খেন্নবা লৈরকখি। অদুম ওইনমক শ্রীকুঞ্জোনা ইরাবতকী মতেংদি ফংলম্মী। লোয়ননা মালেমগী অমসুং ভারতকী শিন্মী অন্দোলনগী মরমদা অয়াম্বা মতমদা ৱারী ৱাতাই শান্নরম্মী। অনৌবা ৱাখল্লোন নৎত্রগা থবক অমা লৈরবদি মদুদা পুক্লিং চঙনা নৈনবা অমসুং মদুবু থবক ওইনা পাংথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি ইরাবতকী হৌনশানি। মরম অদুনা এপ্রিলগী তাং ২৭, ১৯৩৯ ইংদা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ৱার্কিং কমিটিগী ইমর্জেন্সি মীটিং মহাক্কী য়ুমদা ফমদুনা ডিগবোই থাউগী শিন্মীশিংগী অন্দোলন অদু শৌগৎপা অমসুং ফোঙবা অমসুং আসাম রাইফলসকী জৱানশিংনা থাউগী শিন্মী ৪ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অদুবু য়ান্না কন্না নিন্দা তৌবা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদু "মণিপুর পাউজেল" হায়না কৌবা চেফোং অদুদা ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা শ্রীকুঞ্জো লাকপা অমদি মহাক্কা ইরাবতকা খন্ন নৈনখিবদগী ইরাবততা তাহৌবা মমি অদু অসুক্কী মতিক কনখ্রে মদুদি থিন্থদনা থবক খরা পায়খৎনবা শেম শাখ্রে। মহাক্কী তুংইনবা খরগা তান্নরে। মে ডে নুমীৎতা সভা যাত্রা অমা চৎপা তারে। মতম অদুদি সভাযাত্রা অমা চৎপা তারবদি পোলিটিকেল এজেন্টকী হুকুম অমা য়াওবা তারম্মী। মে ডেগী সভাযাত্রা চৎকে হায়না নৎত্রগা রাজনীতিগী খোল্লাও লাউদুনা সভাযাত্রা চৎকে হায়রবদি হুকুম পীরক্লোই হায়দুনা ইরাবতনা খনবসি ফিভম অদুনা মশানা তাবা ওইরমখি। মরম অদুনা ১৯৩৯গী মে তাং ১ গী নুমিদাংদা হুকুম য়াওদনা ইরাবতনা লুচিংদুনা রাজনীতিগী খোল্লাও লাউদুনা সভাযাত্রা অমা মোইরাংখোমদগী হৌরক্লগা পোলিটিকেল এজেন্ট মিষ্টর জিমসনগী ওফিস ফাওদুনা চৎখি।

মসিগী ৱাফম অসি মিষ্টর জিমসননা মণিপুরগী মহারাজ সার চুরচান্দ সিংহদা ইবা ডিও নম্বর ৫৬৮। জেনরেল তাং ২-৫-১৯৩৯দা ময়েক শেংনা ইরি। তৌবদি নুমীৎ অদুগী সভাযাত্রা অদু মে ডেগী সভাযাত্রানি হায়না রিপোর্ট অদুদা য়াওরমদে। মদুগী মরমদি সভাযাত্রা অদু হুকুম য়াওদনা শিনখিবা অমসুং মে ডে থৌরম তৌরক্কনি হায়বা ৱাখল মিষ্টর জিমসনদা লৈখিদবা অমসুং সভাযাত্রা অদু ইখঙ খঙহৌদনা শিল্লকপা অদুননি।

অসুম তৌদুনা ইরাবতনা মে ডে থৌরম মণিপুরগী ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৩৯গী মে ১ দা পাঙথোকখি। লোয়ননা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী ইহৌ মণিপুরদা চঙলকখি। ইরাবতনা পাঙথোক্লম্বা মে ডে ঙসিদি মণিপুরগী শিন্মীশিংনা চহী খুদিংগী লেপ্পা নাইদনা পাঙথোক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।